**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-03-2026)**

**পোর্টফোলিও (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি শ্রী যুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা মন্ত্রি-মন্দলদা য়াওবা মন্ত্রিশিংনা পায়গদবা ফমশিং লাউথোক্লে। রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়-উপ মুখ্য মন্ত্রি-নেমচা কিপগেননা রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্ট অমদি ত্রাইবেল এফিয়ার্স অমসুং হিলস দিপার্টমেন্ট পায়রগনি।

অতোপ্পা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্ট পায়রগনি।

গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হোম দিপার্টমেন্ট অমদি য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট পায়রগনি। খুরাইজম লোকেন সিংহনা আর্টস এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্ট পায়রগনি।

উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং অতৈ মন্ত্রিশিংনা পায়দবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা পায়গনি।

**য়াওশঙ (এল)ঃ** মণিপুরদা নুমিৎ ৫ নি চথুগদবা য়াওশঙ কুম্মৈগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংনা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। মহৌশাদগী চৎনরকপা য়াওশঙগী শরুক অমা ওইনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দির অমসুং লৈকাই লৈকাইদা হোলি শকপনচিংবা পাঙথোকখি।

ঙসিসু অয়ুক অঙনবদগী হৌনা য়াওশঙ স্পোর্টসকীদমক ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী কংলা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়ামা মৈরা লৌবা লাকখি। নুমিদাংগী মতমদা থাবল চোংবনা কুম্মৈ অসিগী মরুওইবা শক্তম

ওইরি।

**ওবেসিতি (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ওবেসিতি ডে নুমিৎতা ঙসি এসোসিয়েসন ওফ ফিজিসিয়ান ওফ ইন্দিয়া, মনিপুর ষ্টেট চেপ্তরনা শিন্দুনা সিটিজন্স ক্লব-সোইবম লৈকাই অমসুং কে.কে.এল.ৱাই.দি.ও. কোংপাল কোংখাম লৈকাইদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগী হীরমনা -‘আইট বিল্লিয়ন রিজন্স টু এক্ট ওন ওবেসিতি’ হায়বসিনি।

কা হেন্না নোইবনা হকচাংদা দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন, হার্ট দিজিজ, স্ত্রোক, কেন্সর লায়নাশিং অমদি ফেতি লিভরনচিংবা লায়নাশিং নাহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা, তোইনা হকচাং শাজেল তৌবা, চাং নাইনা তুম্বা, চিনিগী শরুক কা হেন্না য়াওবা মহি-মনাই থকপগী চাং হন্থহনবা অমদি ঙন্না স্ক্রিনিং তৌবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুলদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং এম.এল.এ. রাম মুইভানা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন উখ্রুলগী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা এম.এল.এনা শিরুই ভিলেজতা চৎতুনা শিরুই হেরিটেজ প্রোজেক্ট সাইট অমদি খুল অদুদা শিরুই লীলা ফেষ্টিবেল মমাং ফাওবদা লোয়শিনগদবা প্রোজেক্টশিংগী ফিভম য়েংশিনখি। এম.এল.এনা এন.দি.বি. ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অমসুং চোইথর ভিলেজতা শেমগৎলিবা চোইথর রিজাভর টেঙ্ককী ফিভমসু য়েংশিনখি।

শ্রী রাম মুইভানা উখ্রুল টাউন্দদা পায়খৎলিবা রিজদ পেভমেন্টকী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা উখ্রুল জিলাগী সি.এস.ওশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**নোনে (এল)ঃ** ফিফতি ইয়ার ওফ ইমর্জেন্সি-লেসন্স ফোর ইন্দিয়ান দেমোক্রেসি হায়বা বিশোইদা যুব কন্নেক্ট কম ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়োমেন্ট ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা জাদোনং মেমোরিএল কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

মাই ভারত তমেংলোং অমসুং জদোনং মেমোরিএল কলেজনা শিনবা থৌরম অদুদা খনগৎলবা মহৈরোই ৫ ষ্টেট য়ুথ পার্লিয়ামেন্টতা শরুক য়াগনি।

**কোন্দোলেন্স (এল) ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী হান্নগী সদস্য-য়ুমাম মণি সিংহনা লৈখিদবদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা অৱাবা ফোংদোক্লি। মহাক ঙরাং লৈখিদবনি। মশাগী চহি ৮৪ শুখ্রে। মহাক ৱাঙ্গোই বিধান সভা কেন্দ্রদগী কংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা কারম্বনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ম্যান্মার অসি ভারতকী মরুওইবা মাংজিল থাবা মপান লৈবাকশিংগী থৌরম অহুমগী মনুংদা য়াওরি। থৌরাং অহুম অদুদি-য়ুমলোন্নবা হান্না হায়বা, এক ইষ্ট অমসুং ইন্দো পেসিফিক য়াওনা মহাসগর হায়বসিনি।

সরসোবাইকমন লিটরেরি সেন্টর বিল্ডিং শঙ্গাবদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-সেন্টর অসিনা ভারতনা লৈবাক অসিগা য়ামা নকশিন্ননা লৈরিবা অদুগী খুদমনি। মহাকা হায়-সেন্টর অসিনা ম্যান্মারগী ক্লাসিকেল অমসুং ফোল্ক লিটরেচর য়োকখৎনবা অমসুং ষ্টদিদা তৌনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মসিনা ম্যান্মারগী হেরিটেজশিং হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা পাক চাউনা খঙহনবদা মতেং ওইরগনি।

**লানঃ** নোংচুপ থংবা এসিয়াদা উংখৎনবগী ফিভম নোংম-নোংমগী কনশিল্লক্লি। ইজরেলনা তেহরানদা লৈবা বাসিজ অমসুং ইন্টরনেল সেক্যুরিতি কম্মান্দর সে

টরদা নোংথক্তগী লান্দাখি।

ইজরেল দিফেন্স ফোর্সনা হায়-কম্মান্দ সেন্টর অসি ইজরেল সরকারনা ইরানবু কন্ট্রোল তৌনবা শিজিন্নবা মফমনি। আমেরিকাদা বেজ তৌবা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট ন্যুজ এজেন্সিনা হায়-মমাং থাগী ২৮ দগী হৌজিক ফাওবদা ইরানদা মীচম লিশিং ১,০৯৭ শিখ্রে। ইজরেলগী ইয়ার ফোর্সকী পাউ মতুং ইন্না-বৈরুটতা লৈবা হেজবুলাগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা এট্টেক চথ্খবা হৌরে।

মরক অসিদা, ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনজিগী দাইরেক্তর জেনরেল-রাফেল মারিয়ানো গ্রোসিনা হায়-ইরানদা হৌজিমক্কী ওইনা ন্যুক্লিয়ার বোম শাবগী চপ চাবা খুদম লৈতে।

শ্রীলঙ্কাগী খা থংবা সমুদ্র খোঙবানদা ইরানগী নেভেল বেসেল অমদা এট্টেক তৌবদা মীওই ১০১ থিবা খঙদ্রে। ৭৮ না অশোক অপন নংলে। পাউ খরনা হায়-এট্টেক অদুদা শোক্লবা ইরানগী নেবেল পার্সোনেলশিং কনবগা লোয়ননা করাপিতিয়া টিচিং হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

ইরান ইস্লামিক রিভোলুসন গার্ড কোপনা ঙসি ১৭ রকশুবা ওইনা আমেরিকা অমদি ইজরেলগী টার্গেটশিংদা লান্দাখ্রে। রিভোলুস্নরি গার্দকী পাউ মতুং ইন্না ঙসিগী গ্রাউন্দ ফোর্সনা ইজরেল অমসুং আমেরিকানা ইরানদা চথ্খরকখিবা এট্টেক অদুগী পাউখুম ওইনা মরুওইবা ওপরেসন অহুম চথ্খি। পাউ অদুনা হায়-ইজরেল অমসুং আমেরিকাগী অপুনবা ফোর্সনা হেক লান দরকপগা ইরাননা দ্রোন ২৩০ হেন্না লমদম অদোমদা লৈবা আমেরিকাগী বেজশিংদা লান্দাখি।

**মিনিষ্ট্রিঃ** নোংচুপ এসিয়া অমসুং গল্ফ লমদমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে। কন্ট্রোল রুম অসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা হাংদুনা থমগনি। মসিগী টেলিফোন নম্বরনা-১৮০০-১১৮৭-৯৭ নৎত্রগা ০১১-২৩০১-২১১৩ নৎত্রগা ০১১-

২৩০১-৪১০৪ নৎত্রগা ০১১-২৩০১-৭৯০৫ নি।

অমরোমদা, পন্দুনা লৈরিবা ভারত মচাশিং পুথোরকবগীদমক ভারত অমসুং গল্ফ লমদমগী মরক্তা ঙসি এরোপ্লেন ৫৮ পাইগনি।

সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না হায়-ফ্লাইট ৫৮ অসিগী মনুংদা ইন্দিগোগী ৩০ অমসুং ইয়ার ইন্দিয়া অমদি ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকীনি। মন্ত্রালয় অসিনা হায়-নোংচুপ থংবা এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা অন্টরজাতিগী এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিনদা কয়া য়ামা খুদোংচারোইদবগে হায়বদু কুপা য়েংশিল্লি। হৌজিক ফাওবদা ফ্লাইট লিশিং ১,২২১ কেন্সেল তৌখ্রে।

**রাধাঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, নুমিৎ নিনিগী ত্রিপুরা খোঙচৎতা থা অসিগী ৭ তা অগরতালাদা লাক্কদৌরি। মহাকা রাজ্য অদুদা লৈরিঙৈদা ত্রিপুরা য়ুনিভরসিতিগী ১৪ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

মহাকা রাজ্য অদুদা লৈরিঙৈদা অলবর্ট ইগকা ৱার মেমোরিএলদা চৎতুনা থৌনা ফরবা লৈবাক অসিগীদমক থৱায় থাখ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি। মদুগী তুংদা, উদয়পুরদা চৎতুনা ত্রিপুরা সুন্দরি মন্দিরদা লাই খুরুমগনি। নুংথিলদা উপ রাস্ত্রপতিনা অগরতালাদা লৈবা হপানিয়া ইন্টরনেসনেল ফিয়ার গ্রাউন্দদা চৎতুনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা হাংলিবা স্তোলশিং য়েংশিনগনি অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমসুং লাক্ষপতি দিদিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**সিন্ধিয়াঃ** কম্যুনিকেসন্স অমসুং দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতির অদিত্যা সিন্ধিয়ানা হায়রি-ভারতনা লৈবাক অসিগী মী কোতি ১৪০ গী নেটৱার্ক শেমগৎপদা নত্তনা মালেমগী ওইনা অমগা অমগা শমহন্নবা য়ামা থাজনিংঙাই ওইবা দিজিটেল ব্রিজ শেমগৎলি।

স্পেনগী বাসেলোনাদা পাঙথোক্লিবা মোবাইল ৱাল্ড কোংগ্রেস ২০২৬ তা ভারতকী পেভিলিয়ন হাংদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি

ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-বাশুদেবা কুতুমবকম হায়বা ৱাখল্লোননা লমজিংদুনা কন্নেক্তিভিনা মীওইববু শক্তি পীগদবনি। পুন্না থবক তৌমীন্নবগী মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি অমসুং পুন্না নুংঙাই য়াইফনমীন্নগদবনি হায়না ভারতনা থাজৈ।

**বিজেপি ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্তি (বি.জে.পি)না চৎলিবা চহি ২০২৬ তা রাজ্য ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভা মীখলগীদমক মীরেপ ৯ গী মীং লাউথোকখ্রে। সিট ৫ হাংলবা বিহারদগী বি.জে.পিনা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন অমসুং রাজ্যগী বি.জে.পি লুচিংবা সিভেস কুমার মীরেপ ওইনা থাগৎলি। মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্কদবা মীখল অসিগীদমক হয়েং মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনি।

সিট ৩ গী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসামদা বি.জে.পিনা সিত্তিং এম.এল.এ- তেরাস গোৱালা অমসুং কেবিনেট মন্ত্রি জোগেন মোহন মীরেপ ওইনা থাগৎলি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মনা হায়- অহুমসুবা সিট অদুগীদমক বি.জে.পিনা মীরেপ অমত্তা থাগৎলোই।

ছত্তিসগরদা সিট অনি হাংবদা বি.জে.পিনা ছত্তিসগর ষ্টেট ৱিমেন কম্মিসনগী মেম্বর লক্ষমি বরমাবু মীরেপ ওইনা থাগৎলি।

সিট অনিগী মীখল পাঙথোক্কদবা হরিয়ানাদা হান্নগী এম.পি. শঞ্জয় ভতিয়ানা দলগী মীরেপ ওইরগনি।

সিট মরিগী মীখল তৌগদবা উরিষাদা বি.জে.পিনা উরিষা য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট মনমোহন সমল অমদি মতম লোইরবা রাজ্য সভা এম.পি- শুজিৎ কুমারবু দলগী মীরেপ ওইনা লাউথোকখ্রে।

সিট মঙাগী মীখল তৌগদবা নোংচুপ বেঙ্গলদা দল অসিনা রাজ্য য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট রাহুল সিনহাবু মখোয়গী মীরেপ ওইনা থাগৎলি।